থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

পুন্সিবু হঙ্গৎন'মুক্তং য়েংলুবা

কনাগুম্বা অমবু মীয়ামগী ৰায়েনশঙ'না শিবগী চৈরাক পীননবা লাউথোকখি। হাৎপগী মওংদি - ময়াক কল্লবা হু অমা পীথক্তুনা। মঙক্তা থৌরী থুদুনা শিদ্রিফাওবা য়ান্থহনবা নত্তবা! থাঙপাক অমনা মঙক অদু ককথৎপসু নত্তবা! মীয়াম মাঙদা পুথোক্তুনা শিদ্রিফাওবা চৈনা-ফুবা তৌরগসু নত্তবা! অকক্লবা নুমিৎ অমা লেপখি। নুমিত্তুগী নুমিদাংৰাই, কোরৌনা মরায় চায়থরকপা, অমমম অঙান শিন্নরকপা মতমদা হু অদু কৈশুমশঙগী মনুংদা পীথক্তুনা হাৎকনি।

খঙবীনীংব্রা? মাগী মরাল করিনো? মহাক- মীহাৎপসু নৎখিদে, হুরানবসু নৎখিদে, লালহৌবসু নৎখিদে ... লৈপাক নিংথৌগী মায়োক্তা নিংথৌ শেম্বসু তৌখিদে। অদুগা করিগী শিবই চৈরাক? ... মহাক, মীয়াম-লৈঙাক য়াখিদে। মহাক মশাগী ৰা নত্তনা কনামত্তই ৰা তাখিদে। মহাক্কী অচৌবা মরালনি - নহা ওইরিবা কোকসিংবু অচুম অরান খন্থহনবা, অচুম্বা মশক খঙহনবা, চৎনবী হায়বসিগী মায়োক্তা ৰাহং অমা হংহনবা! অহল্লোনগী ৰাখল অমদি নহারোলগী ৰাখল - অনীগী মরক্তা মূক্লবা অমা থোকহন্দুনা, হায়বা ইনবা নহারোলগী মশীং হন্থহল্লিবা, মরৈ কনবা নহা থোক্লক্লিবা - নুপাসিনা মরম ওইরগনি। মহাক, মীয়াম মরক্তা লৈহনবা য়াদে - মীয়ামদুগী ৰাখলনি।

মীয়ামগী মহুৎ শীন্দুনা ৰায়েন চথরিবা ৰায়েন মপুশিংদুনা মীয়ামদুদই শিংবা খিত্তং হেনবননি হায়গদ্রা, শিবই চৈরাক ফংদৌরবা মঙোন্দা শিবদগী কঞ্জনবা তাঞ্জা অমা পীরকই ... 'ঐখোয় খঙই নহাক অফবা মী অমনি, হিংননবা তাঞ্জা অমা পীগে, নহাক নরৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎখ্রো, অমুক হল্লক্লগনু পামজবা লমদম অমদা ননীং তম্না হিংলুরো ... নৎত্রগা, নরৈবাকসিদা লেঙদনা লৈয়ু - ৰা ঙাঙদনা, কনাগসু ৰারী শানদনা, কনাদসু ঈথিল পীদনা - অদু ওইরবদি শাউরবা মীয়াম অসি ঐখোয়না থেম্বা ঙম্বা য়াই ... অনীমকসি পামদ্রবা, হয়েংগী নুমিৎনা চায়থরকপা, হু লীক্লি থকপা তাই ...।'

ঈংনা-চীক্লা, মোং হাদনা তারগা নুপাদুনা খুন্নকই ... 'হয়েং ফাওবা ঙাইদনা, হু অদু ঙসিমক থকউ হায়র'সু থকচরগে পীবীরো, মরমদি ঐগী পুন্সিগী অরোইবা মীকূপ ফাওবদি, ঈরৈবাকসিগী মনুং মপান অনীমক্তা অচুম্বা ঙাঙদনা লৈবা ঙম্লোই, থিংবসু ঙম্লোই কনামত্তনা ... অদুগা, অচুম্বদগী নাথৈদুনা ইশাগী থৱায়সিমখক কন্নবা ঈরৈবাক থাদোক্তুনা চৎখিগদবা, পাঙদবা-মীশোন অদুসু নত্তে ঐ ... ঐহাক ইশাগীপুন্সি কনাগীসু মখা পোন্না হিংলক্তে, ঐনা পামজবা মওংদা পুন্সি অসি হিংলকখি, থৌজালদা হিংবা পুন্সি - ঐহাক পামদে ... শিবদসু, পামজবা মওংদা শিগনি ... ঐনা শিগদৌরিবসিগীদমক কনাদসু মরাল সীবীগনু ... মসি থোক্লগনি হায়বা ঐহাক খঙখি হান্ননা, ঐবু হাৎকদবনি হায়বা মীয়ামগী খোল্লাউ, থোকহনবনি ঈশানা ... ঐদি 'ঐ' ওইনা হিংলম্বনি, শিবদসু 'ঐ' ওইনা শিগনি ...।'

মহাক শিবদা মতারে। মহাক্কুম্বা -নত্তে, মখোয়গুম্বা মীশক্তি মীয়াম মরক্তা হিংহনবা য়াদে, কনাগুম্বা সঞ্জেননহা অমনা হোইদুনা পুবা সল্লুপতুদা য়াও য়াওদবা, মরন্নাই হিংজগে হায়বা ষণগুম্বা মীদুদি হাত্তোক্কদবনি! মশীং য়াম্বা (মেজোরিতি) মীয়ামদুগী ৰাখলনি। কৈশুমশঙগী ফমুংদুদা ঈংনা য়াতারদুনা মীকুপ খরতা ঙায়রবা পুন্সিগী অরোয়বা মীকুপ অদু ঙাইরম্মী। ... নুমিৎনা ময়ুম চঙদ্রিগৈঙে হু অদু পীথক্কদবনি ... ৰায়েনশঙগী য়াথঙনি। হু শেন্নিবা নুপাদুনা পাম্মুজখি কঞ্জনীংখি। মীকুপ খরা চোন্থরবা ৰায়েনশঙগী ৰারেপ অদু হোংলকপা য়াই - মানা খঞ্জখিবনি। মরমদি - শিদৌরিবা নুপাদু মরাল লৈত মীশক্লি, খঙই মহাক নীংথিনা।

'মতম লৈশিল্লক্তরে, নুমিৎ অসি লৈথরক্লে - হুদু শেম্বা লোইদ্রিবরা? করিগীনো নহাক্লা মতম চোন্থহল্লিবা?

শিদৌরবা মীশক অমনা, মহাক্লা শিগদবা পুংফম অদুগী অদুক ঈখৌ লাংজবা - অমুক্তসু উখিদ্রি, ঙকখিবনি নুপাদু। অসুক নীংথিজবা পুন্সিসিবু পুংজা খরতং হেন্না য়েংজখিসনু - খল্লুবনি মহাক্লা,থাগৎ ৰাহে পীরক্কনি। ওন্থোকপা মতৌ হায়দুনি ... 'অমুক থীন্থরগনু, কদায়, হু অদু পুরকউ ...' য়াথং ওইনা তৌরকই।

'করিগীনো নহাক্লা শিবই পুংফম অদুবু অদুক খৌরাংনা ঙাইরিবা? নঙগী মায়থোং অদুসু হান্নগুম্মা মঙাল নাইরি, লাংতকপগী মমি তাদে। নহাক শিদৌরবনি হায়বসি খঙদবরা?' ঙক্লা হংখি ৰাহংসি।

'খঙই। খঙবদুননি মীকুপ অদুবু ঐনা ঈখৌ লাংলিবা। পুন্সি! মীওইবগী পুন্সি! উরে ঐ - কয়া নীংথিজরিবা! অৰাবা, লাংতকপা, নুংওনবা, কল্লকপা, মিহৌবা ... অসিগুম্বা অমকপা কয়া অসি লৈদুনসু, পুন্সিবু কনানসু মশক থীহনবা ঙমদে। ঐ পুন্সিবু নুংশি - ঐনা তৌনীংবা তৌহল্লি, ঐনা খন্নীংবা খলহল্লি, ঐনা ঙাঙনীংবা ঙাঙহল্লি। হৌজিক্তি ঐনা মশক খঙদ্রিবা অশিবা হায়বদু খঙনীংলক্লে ... মহাক থুনা লাক্লবদি, থুনা মশক খঙলেদনা ...। হৌজিক ঐগী মাঙদা ওইথোকপা য়াবা অনীখক লৈ - হকচাং অসি থাদোক্লগা থৱায়সিনা অৰা-অনা লৈতবা নুংঙাইবতনা থনবা লম্বী অমদা চৎখিবা, মদুদি লোইবা নাইদবা নুংঙাইবনি, হরাওফম থোকই মদুগীদমক ... অদুগা, অতোপ্পা অমনা - থৱায় হায়বা অমা লৈতে, হকচাঙনা কেম্বদা পুন্নমক লোইরে, করিমত্তা লৈহৌরোই ... অদুসু নুংঙাইবা মীকূপ্পি, ঐ লৈত্রবা মতুংদা করি ওইনি খঙদবা মীকূপুগীদমক ঐনা করিগী লাংতক্লফম থোকপগে... মতম অমুক থীন্থরুবগী কান্নবদু করিনো? হুদু পীরকউ হৌজিকমক'...।

অঙকপা নুপা অসি কনানো? শক্লাকপীবা ঙম্বরা, ৰারী অসি তারগা? মশাবু মশক খঙজবা, পুন্সিবু মুন্না মশক খঙখিবা মীওইবদি মহাক্তনি - হায়নৈ কনাগুম্বনা। খঙবীরল্লগনি শোয়দনা - মহাক গ্রীস লৈপাক্তা পোকখিবা, অইবা লাইরিক অমত্তসু থল্লমদবা, খ্বাইদই ফাওবা ফিলোজোফর 'সোক্রেতিস' নি। মহাক্কী অরোইবা ৰাহৈনি ... 'ক্রিতো! ঐঙোন্দা 'এসক্লিপিয়স'কী শেনয়েক অমা তোনবনি, মদু শিংদোকখিবা কাউগনু ...।' (এসক্লিপিয়স - গ্রীকশিংনা অনা-অয়েক কোকপীনবা নীংনবা লাইদুগী মমীঙনি)

লৌশিং পুক্কে / খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

ফিজিকেল এক্টিবিটিগী চাং ৰাৎপনা প্রোষ্টেট কেন্সর নাবগী রিস্ক হেনগৎহনবা থেংনরে

রিছার্সরশিংনা প্রোষ্টেট কেন্সরগী রিস্ক ফেক্টরশিং খঙদোক্লবা অনৌবা মেথদ অমা শীজিন্নদুনা থিজিনবদা ফিজিকেল এক্টিবিটিগী চাং ৰাৎপগা প্রেষ্টেট কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎপগা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনরম্বা থেংনরে।

ফিজিকেল্লি এক্টিব ওইনা লৈবনা প্রোষ্টেট কেন্সরগী রিস্ক হন্থহল্লি হায়বসি অনৌবা ইভিদেন্সনা উৎলি।

মালেমগী ওইনা য়েংবদা নুপাশিংদা খ্বাইদগী নাগনবা অনীশুবা কেন্সর মখল অসি প্রোষ্টেট কেন্সরনা ওইরি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী ওইনসু প্রোষ্টেট কেন্সর অসিনা নুপাশিংদা খ্বাইদগী নাগনবা অনীশুবা কেন্সর মখল ওইরি।

ৱর্ল্ড কেন্সর রিছার্স ফন্দ অমদি অমেরিকান ইনষ্টিট্যুট ফোর কেন্সর রিছার্সকী মতুংইন্না কুমজা ২০১৮ দা মালেম পুম্বগী ওইনা প্রোষ্টেট কেন্সর নাবা নুপাগী মশিং ১,২৭৬,১০৬ য়ৌখি হায়রি।

নেসনল কেন্সর ইনষ্টিট্যুট (এন সী আই) গী মতুংইন্না চৎলিবা চহী অসিগী লোইশিল্লকপদা য়ু এসখক্তংদা প্রোষ্টেট কেন্সরগী অনৌবা কেসকী মশিং ১৭৪,৬৫০ য়ৌগনি হায়না পারি।

চহী খুদিংগী কেন্সরনা নাবা মীগী মশিং অসি য়াম্না য়াল্লবসু কেন্সর নাহল্লক্লিবা রিস্ক ফেক্টরশিংগী মরমদদি স্পিসলিষ্টশিংগী মফমদা মপুঙ ফাবা নোলেজ লৈত্রি।

এন সী আইনা মোদিফাইএবল ওইবা অমদি নোনমোদিফাইএবল ওইবা ফেক্টরশিংদি পীরী, মখোয়শিং অদুগী মনুংদা মশাগী চহী, ইমুং মনুংদা প্রোষ্টেট কেন্সর নাখিবগী হিষ্টরি অমদি হকচাংদা য়াওবা ভিটামিন ঈ, ফোলিক এসিদ অমসুং কেলসিয়মগী চাং অসিনচিংবশিং য়াওরি।

অদুবু ফেক্টরশিং অসিগী মথক্তা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা ফেক্টরশিংনসু প্রোষ্টেট কেন্সর নাহল্লকপদা থৌদাং লৌরম্বসু য়ারি। হীরম অসিগী মতাংদা ময়েক শেংনা খঙনবগীদমক থিজিল্লোয়শিংনা য়াম্না কন্না হোৎনরি।

হন্দক্তা য়ুনাইটেট কিংদমদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ ব্রিষ্টোল অমদি ইম্পরিএল কোলেজ লন্দনগী রিছার্সরশিংগী টিম অমনা মালেমগী মফম কয়াদা লৈরিবা একাদেমিক ইনষ্টিটুটসনশিংদগী রিছার্সরশিংগা খূৎশম্নদুনা প্রোষ্টেট কেন্সর রিস্ক ফেক্টরশিংগী মরমদা হেন্না মমুৎ তানা খঙদোক্লবগীদমক তোপ-তোপ্পা মেথদ অমা শীজিন্নদুনা থিজিনখ্রে।

অনৌবা ষ্টদি অসিগী ফাইন্দিংশিং অদু ইন্টর্নেসনল জর্নেল ওফ ইপিদিমিওলোজি কৌবা জর্নেল অমদা ফোঙলকখ্রে। মখোয়না শীজিন্নরিবা মেথদ অদুগী মমিং 'মেন্দেলিয়ান রেন্দমাইজেসন' কৌই।

মেন্দেলিয়ান রেন্দমাইজেসন হায়রিবা মেথদ অসিগী মতেংনা রিছার্সরশিংনা জিনেটিক ভেরিএসনশিংবু য়েংবা য়াহন্দুনা পোটেন্সিএল রিস্ক ফেক্টর কয়াগা প্রোষ্টেট কেন্সর নারকপগগী মরক্তা লৈনবা মরীশিং খঙদোক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংলম্মী।



ষ্টদি অদুদা ৱর্ল্ড কেন্সর রিছার্স ফন্দগী কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা ইভিদেন্সকী সিষ্টেমেটিক রিভিয়ুগী খুত্থাংদগী রিছার্সরশিং অদুনা প্রোষ্টেট কেন্সরগী পোটেন্সিএল রিস্ক ফেক্টরশিং খঙদোক্লম্মী।

মখোয়না প্রোষ্টেট কেন্সর নাবা পার্টিসিপেন্ট ৭৯,১৪৮ অমদি প্রোষ্টেট কেন্সর নাদব পার্টিসিপেন্ট ৬১,১০৬কী মেদিকেল ইনফোর্মেসনশিংবু এনালাইজ তৌরম্মী।

এনালাইজ তৌবা অদুদা মখোয়না খঙবা ঙমখি মদুদি, ফিজিকেল্লি এক্টিব ওইনা লৈবগী জিনেটিক ভেরিএসন লৈবা মীওইশিংনা ফিজিকেল্লি এক্টিব ওইনা লৈবগী জিনেটিক ভেরিএসন লৈতবা মীওইশিংদগী প্রোষ্টেট কেন্সরগী রিস্ক চাদা ৫১ হন্থে।

রিছার্সরশিংনা মতাং অসিদা হায়রিবা ফিজিকেল এক্টিভিটি অসি হকচাং শাজেলখক্তং নত্তনা এক্টিভিটি মখল খুদিংমকপুনি।

ফংলক্লিবা ফাইন্দিংশিংসিগী মতুংইন্না ষ্টদি অথরনা হায়রি মদুদি, নুপাশিংনা ফিজিকেল এক্টিভিটি তৌবগী চাং হেনগৎহনবা হায়বসি প্রোষ্টেট কেন্সরদগী ঙাকথোক্লবগী পাম্বৈ অমা ওইবা য়াই।

অসিগুম্বা মখলগী ষ্টদি অসিগী ওইনদি হন্দক পাঙথোক্লিবা অসিনা খ্বাইদগী চাউবনি। মসিদা ইনৌ নৌবা মেথদ অমা শীজিন্নদুনা প্রোষ্টেট কেন্সর অসি করিনা থোকহনবনো হায়বা খঙদোক্লবা হোৎনবদা হান্ননা লৈরিবা ওবজার্বেসনল রিছার্সতা মতেং পাংশিল্লি হায়না ষ্টদি অদুগী কো-অথর ওইরিবা সারাহ লিৰিসনা ফোঙদোক্লি।

ফিজিকেল এক্টিবিটিনা প্রোষ্টেট কেন্সর ঙাকথোকপদা কান্নবা ফংই হায়না হান্না খন্নরম্বা চাং অদুদগী য়াম্না হেন্না কান্নবা ফংই হায়বসি ষ্টদি অসিনা তাক্লি। মরম অদুনা নুপাশিংবু হেন্না এক্টিভ ওইনা লৈহনবদা পুক্লিং থৌগৎলি হায়নসু মহাক্লা মখা তারি।

মৈতৈ-পাঙল কনভেন্সনগা মরী লৈননা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর মুস্লিম ওর্গনাইজেসন কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (অম্মোকোক) না শীন্দুনা থা অসিগী ২১ অমসুং ২২ দা সিটি কনভেন্সন সেন্টর ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল মৈতৈ-পাঙল কনভেন্সনগা মরী লৈননা ঙরাং অম্মোকোক্লা শীন্দুনা লূপ অসিগী ওইবা জোইন্ট মীটিং অমা পাঙথোকখ্রে হায়না অম্মোকোক্কী প্রসিদেন্ট এস এম জলালনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, অম্মোকোক্কী প্রসিদেন্টনা প্রিসাইদ তৌদুনা লূপ অসিগী কনষ্টিট্যুয়েন্ট ওর্গনাইজেসনশিং, কন্সল্টেটিভ গ্রুপ এগজিক্যুটিভ কম্মিটি, স্কোলারশিং, অহল-লমনশিং, মহৈরোয়শিং য়াওনা হট্টাদা লৈবা লূপ অসিগী হেদ কার্টরদা মীফম অদু পাঙথোকখি। পাঙথোক্কদৌরিবা কনভেন্সন অসিগা মরী লৈনবা হীরমশিং রিভিয়ু তৌদুনা খন্ন-নৈনখি। লাক্কদৌরিবা দেলিগেটশিং তরাম্না ওক্লবা অমদি কনভেন্সনগা মরী লৈনবা থবক থৌরম খুদিংমক মীফম অসিনা কুপ্না য়েংশিনবগা লোয়ননা থৌরমসিগা মরী লৈননা হান্না শেমখিবা ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা সব-কম্মিটিশিং শেমখি। সব-কম্মিটিশিং অসিগী কনভিনরশিংসু খনখি।

থা অসিগী ২১ অমসুং ২২দা সিটি কনভেন্সন সেন্টর ইম্ফালদা অম্মোকোক্লা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল মৈতৈ-পাঙল কনভেন্সন অসিগা মরী লৈননা শেম্বা সব-কম্মিটিশিংগী কনভিনর ওইনা খল্লবশিং অদুদি, রিসেপসন সব-কম্মিটিগী কনভিনরদা অবিদ হুসেন খুল্লাকপম, ফাইনান্স এন্দ ত্রান্সপোর্ট সব-কম্মিটিগী কনভিনরদা সমির শাহ, মোনিটরিং সব-কম্মিটিগী কনভিনরদা অরাফট আলি, মীদিয়া সব-কম্মিটিগী কনভিনরদা অলম অজাদ, প্রোগ্রাম এদভাইজরদা এম এ সলাম, ডা. এম দি হমিদুর রহমন, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর এম য়ু অমদি ডা. এম দি মকবুলনি। প্রোগ্রাম দিরেক্টরদা ডা. এম দি রহৈজুদ্দিন সৈখনি।

মীফম অদুনা ইন্টরনেসনল মৈতৈ-পাঙল কনভেন্সন অসি ঈংনা চিক্লা মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনবদা মণিপুরদা লৈরিবা ইচিল-ইনাও ফুরুপ খুদিংমক্কী মীওইশিংনা মতেং পাংবীনবা অমদি শরুক য়াবীনবা আপিল তৌখি। মণিপুরগী মীয়াম অমদি মৈতৈ-পাঙলশিংগী লূপশিং, ক্লবশিং, অহল-লমনশিং অমদি মীয়াম্নসু শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

লৈতুম মচা অমনা উচেক অনী পানবগী থৌওং থাগৎলি : এ এ পি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): লৈতুম মচা অমনা উচেক অনী পানবগী থৌওং আম অদামি পার্টি (এ এ পি) মণিপুরনা থাগৎলি হায়না এ এ পি মণিপুর ষ্টেটকী কনভিনর থৌদাম মনিহারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরদা মতম শাংনা মীয়াম্না ইন্নর লাইন পর্মিটকী দিমান্দ অসি তান্দুনা লাকখিবনি। মণিপুরগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়াগী মীহুৎশিংসু চৎতুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনচিংবা কয়া উনবা লৈখি। বি জে পিনা লৈঙাক পায়রক্লবা মতমদা সী এ বি চৎনবা য়ারোই হায়না পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎশিংনা দিল্লিদা চৎতুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমদি মরী লৈনবা মিনিষ্টর কয়াদা তকশিনখি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংদুনা দিল্লিদা চৎতুনা তকশিনখিবনি। মতমদুদা এল জে পিগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাম বিলাস পাসৱান অমদি আম অদামি পার্টিগী এম পি সঞ্জয় সিংহসু বিল অদু পাস তৌদনবা ৰাফম থল্লকখি। বিল অদু রাজ্য সভাদা পুথোকখিদ্রে। ইম্ফালদা থোরকপদা চীফ মিনিষ্টর অমসুং পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎশিং য়াওনা হাপ্তা কাংজেবুংদা মতমদুদা তরাম্না ওকখি। সী এ বি ২০১৯ গী মতাংদা পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎ খরগা লোয়ননা সিভিল ওর্গনাইজেসন খরনসু বিল অদু পাস তৌবা য়ারোই হায়বগী ৰাফম য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমিট শাহ উনদুনা তকশিনখি। লাইবক থীবদি সী এ বি ২০১৯ পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্তুনা পাস তৌখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী ওইনদি লিনসু শিনবা চৈশুমু তেক্কনবা ৰাফম ওই। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুর মীয়ামগী খন্দুনা ইন্নর লাইন পর্মিট মণিপুরদা চৎনহনবা ঙম্লে। আই এল পি অমসুং সিক্স সেদ্যুল চৎনবা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট খরগী ওইনদি অকায়বা পীরোই হায়রি। সী এ বি পাস তৌরগসু মণিপুরগী নুংনাংবা লৈরম্বা অদু কোক্লে হায়না লৌবা য়াই। হৌজিক্তি ফোং-ফোং শাবা ইস্যু লৈত্রে হায়না লৌবা য়ারে। ইস্যু অসি ময়াই চমহনবা ঙম্লবনিনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লৈতুম মচা অমনা উচেক অনী পানবগী থৌওং এ এ পি মণিপুরনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

পোলিটিকেল পার্টি হায়বসি লৈঙাক পায়বা য়াওদ্রবসু মীয়ামগী অপান্বা অদু ফংহনবা ঙম্লবদি মতম পুম্বদা হুন্দুনা ঙাংবগী মথৌ তাদে। আম আদমি পার্টিনা লমদমসিদা ঈংনা চিক্লা লৈঙাকহনবা পাম্মী। লৈঙাক্লা মীয়ামগী মপি-মপা ওইনা হোৎনবা তাই। থবক ফংদ্রিবা লাইরিক হৈরবা নহাশিংবু চান্নবা থবক পীবা চঙই। মীচম-মীয়ামগী ফন্দামেন্টেল রাইট তানবদা ফন্দামেন্টেল দ্যুটিসু কাউরোইদবনি। পুকচেল শেংবা লায়রবা মীশকনা উমংদা শীং চনবা চৎপদা শীংজং অদু তুরেলদা তাখিবদা তাইবং শেম্বা মপুনা উবীদুনা সনাগী শীংজং ফংখি। পুকচেল শেংদবা মীনা মতৌ তল্লবসু মশাগী শীংজং মাঙদুনা কান্নদনা হল্লকখি। বি জে পিগী মনুংদসু মীয়াম্না লিংজেল মান্নদবা ওইনা উরিবা অসি প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টরগী মরৈবাক নুংশিবা ফাওবগুম্না মিনিষ্টর, এম এল এশিংনা মণিপুরবু নুংশিবা ফাওরিবসি মীয়াম্না খঙই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

কোচিং ক্লাস হৌরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) য়ুরেম্বম ব্রাঞ্চনা লাক্কদৌরিবা বোসেমনা লৌবা ঐচ এস এল সী এগজামিনেসন থাগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগীদমক থা অসিগী ১৯ দগী নুমীৎ ৩০ নিগী ওইবা ফ্রী স্পেসল রিভিজন কোচিং ক্লাস অমা অয়ুক পুং ৫.৩০ দগী ৮.৩০ ফাওবা চৎথরগনি হায়না এমসু য়ুরেম্বম ব্রাঞ্চকী ইনফোর্মেসন এন্দ পল্লিসিটি সেক্রেটরি রোবিনকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। রিসেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুল, সগোলতোংবদা কোচিং অসি পাঙথোক্কনি হায়রি।

'নোংপোক থোঙ শাগনি, আই এল পি চৎনরগনি লাউথোরকপদা মীয়ামদা য়াইফ-পাউজেল পীরি'

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): নোংপোক থোঙ শাগনি অমদি আই এল পি চৎনরগনি লাউথোরকপা অসিগা ঈরোয়ননা মীয়ামদা পাউজেল পীরি হায়না কংলা লাইফল্লেন ইবুধৌ মার্জিং ইবেনধৌ খুলবুল লৈমা ইবুধৌ নোংদা লাইরেন পাখংবা ইবেনধৌ য়াইস্না থৌগল লোয়শঙগী জেনরেল সেক্রেটরি য়ুম্নামচা খুরাইহোংবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নীংথিরবা লৈকোল অমদা লৈরাং কয়ানা লৈখল শুনা শাৎপা মণিপুরনি। ফুরুপ কয়ানা পুন্না অমত্তা ওইনা খুন্দারিবা ঐখোয় ইমা-ইপা অমত্তগী মচানি। মণিপুর হায়না মিংথোনবা লৈকোল অমদা পুন্না লৈশাৎ তম্মিন্নরি। কনাগুম্বা খরনা সনা লৈবাক মণিপুরবু মচেৎ তানা থুগায়নবা শীল্লিবা ৰাখল্লোন মীয়ামগী য়েংলগা খুদক্তা লেপ্পীয়ু। আই এল পি চৎনরগনি হায়না লাউথোকখিবা অসি মীপুম খুদিংনা পাম্নরিবা ৰাফমনি। মণিপুরগী ফমথৌ ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর মশানা লাউথোকখিবা চীংগী ইপা-ইপুগী লাইফম অমদি তম্পাক্কী ইপা-ইপুগী লাইফম ৫০ কংলা লাইফল্লেনগী লাইফম ১৫ অমদি নোংপোক থোঙ শাবীয়ু তকশিনখিবগী পাউখুম ওইনা চীফ মিনিষ্টরনা থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়না লাউথোরকখিবা অসিগীদমক হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি। মহাকপু পুন্সি-নুংশাংবা পীনবীনবা থৌরম অমসু পাঙথোকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

[illegible]/ ১২শুবা কুমওনগী শৈথা ঈশৈ



লোইতোংবম বসন্ত সিংহ
পোকপা : ৩০/০৮/১৯৫৬
লৈখিদবা : ১৬/১২/২০০৭

ঙসিগী নিংথিরবা অয়ূক
দিসেম্বর থাগী তাং ১৬
ঐগী পুন্সিগীনা মমখিবা নুমিৎ
লৈচিল নোংফাই থাংদ্রবা
তশেং তশেংলবী অতিয়া মকোয়থক
কৌবগুম্না উরি ঐবু খূৎলাম তোয়না নঙনা
খোঙথাং খুদিং লোয়নরি ঐগা
ঙাল্লি নঙনা ঐগী থম্মোয়দা লেঙদনা
অদুবু ৰারৌনু নঙ নতুং ইল্লক্তে হায়দুনা,
নঙনা থারম্বা চারা কনাদা শিন্নরমগনি,
হায়নরোইদ্রা মপী-মপা পূ-পাং শুদ্রবা মচা,
নঙগীদমকনি হিংলিবা ঐগী পুন্সি
নঙগী নুংশি ঈশৈ শক্তুনা
খোন্থাং য়ৈনা থম্মোয়দগী
শন্দোক্লমগে নুংশি লৈনম তাইবঙদা,
চাক্লিবনি থম্মোয়দদি প্রলয়গী মৈরি
থাংলিবনি খোঙথাংসে তিঙ্খং তুন্বৌরক্তা,
ঈহৌরক্লিবা মিৎলু পিরাং
লোন্না তৈথোকচরি কনা উহন্নীংদা,
নঙনা থোংগৎপীরম্বা কায়না পোৎলুমসে
অরোইবা মীৎকুপ ফাওবা পুজবা ঙমজবা ওইজগে,
নঙগী থৱায় মীরেলদি মপুগী খুয়াখাদা
ঈংনা চিক্লা মতম খুদিং লৈদুনা
ঐবু অমদি নচা নশুশিংবু ঙাকপী শেনবীয়ুকো।

নহাক্কী : লোইতোংবম ওংবী সোবিতা দেবী
অমদি মচা-মশুশিং, ক্ৱাকৈথেল লাইশ্রম লৈকায়, ইম্ফাল
HL-C/158/16

A Unit of RaDiant Group
RaDiant e-ride
BE DIFFERENT
BE ECO RIDER
JOIN THE GREEN MANIPUR CAMPAIGN
RECYCLE
BRING YOUR OLD VEHICLE AND RIDE HOME BACK WITH AN E-SCOOTER
FESTIVE EXCHANGE BONANZA
TILL 31ST DEC 2019
UPTO INR 8000 OFF
Own Brand New Electric-Scooter
WHY E-Vehicle?
>No Petrol
>No Pollution
>Low Maintenance
>Low Operational Cost
>No Noise
Kwaikethel Ningthemkol +91-7085040962 | Sekmai Koujenleima Leikai +9-6909832745
Thoubal Athokpam +91-6009402934 | Moirang Patlou Leikai +91-6009073738
HL-B/5749/17oct-16nov.

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৰাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৬।১২।২০১৯ ইং, নিংথৌকাবা;
পোইনুগী ২০ নি পানবা।

মেষ : লন চাওখৎপা, মীয়াম্না চানবীবা অমদি হরাওবা নুমিৎনি। অমরোমদা নচা-ননাইগী লম্দা ৰাবা, ঙক কনলোইদবা অমদি লল্লোনবদা পূক্লিং ফাথগদবা ওই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃষ : পোরম য়াংপা হৈবা খরা ৰাৎকনি অদুনা অরুবা থৌরমদি অখঙ অহে তানবা ফৈ। অনীংবা থবক্তদি থৌনা ফনা পাংবা অমদি হোয়া ফবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

মিথুন : শেল-থুম, লৌশিং অমদি অঙম্বগী মতেং ফংবা শোইরোই। পাংঙমদবা থবক পাংবা ঙসিসু ঙমগনি অমদি নুংশিবা মরুপ নত্রগা অফবা মীংচৎ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৰাখল খরদি ৰাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কর্কট : হরাওবা-নুংঙাইবা, মীচং হেনগৎপা অমদি অনৌবা ওইজ-ওইথক তানবা য়াগনি । ফংবা য়াবদি পনবা অমদি মরুপ-মপাংনা নুংশিবীবা ৰাৎপদি লৈরি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

সিংহ : অনম তাল্লবা অচানবা কাইনবগী নুংঙাইতবা ফংগনি অমদি খন্থদনা খুৎচাও থাগনু হেন্না মাঙগনি। অদুবু অঙম্বনা চানগনি, অরং-অরাক খরসু ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নোল্লুক্লা চৎপা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কন্যা : শেল-থুমগী লম্দা চাউনা কান্নগনি, অনৌবা থৌরম পাংবা ঙমগনি অমদি অফবা মীংচৎ ফংগনি। তুংগী পোরম য়াংপা হৈগনি। য়েৎনবদি তৌরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী চেৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা : অনীংবা থবক চিংনদনা পাংবা য়াগনি অমদি শেল-থুম ফংনবা হোৎনবা মায় পাক্কনি। খাংবা কনবগী অমদি হোৎনবা কনবগী অফবা ফংবা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা লুনা তৌবি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : মরম চাদনা ইচং থৌবনা লন মাঙনীংঙাই ওই অদুনা ঈংথনা থৌ পাংবা ফগনি। মহু চাওবনা কিহনবা লৈগনি। মীয়াম্নদি চানগনি, ইমুং-মনুং নুংশিনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

ধনু : নখা থাবগী মতেং ফংগনি, থৌনা লৈবনা ওইজ-ওইথক তানবা য়ারগনি অমদি পাংঙমদবা থবক পাংবগী নুংঙাইবা ফংগনি। নথক থোংববুদি মীরাইগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাবা ৰাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মকর : নীংজবা থুংগনি, লাইবক ফরগনি অমদি ৰানোম থৌনোমসু শোইদনা মাই পাক্কনি। য়েৎনরবা অমদি অখঙ-অহে শারবা কাইনবা নংবদি শোইরোই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংজে।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

কুম্বা : লল্লোন ইতিক্তা চাউনা শেন্দোং ফংগনি, লৌশিং চাউবনা পন্দুনা লৈখিবা লন-থুমসু ফংনবা হোৎনবা য়াগনি। মরুপ-মপাংনদি ৰারৌগনি, মীৰা লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা খরদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মিন : শক-চু থোক্লমদবা ফরগনি অমদি পাইরক্কী লৌশিং হেনগৎপা নুমিৎনি। হেন্না অশা তৌরুনু-মতম মাঙদুনা তোক্কনি। মীয়ামগা পুন্না চৎনবা হোৎনৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।